# দেবেন্দ্র ফড়নাভিজনা মহারাষ্ট্রগী চিফ মিনিষ্টর ওইরগনি



মহারাষ্ট্রগী অনৌবা চিফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লগনি হায়রিবা দেবেন্দ্র ফড়নান্দেজ (ময়াই)

***নিউ দিল্লি, ওক্টোবর ২২ ঃ*** ভারতিয়া জনটা পার্টি (বিজেপি) গী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফড়নাভিজনা মহারাষ্টনগী অনৌবা চিফ মিনিষ্টর ওইবগী থৌ পুরবা য়াই। মদু দিৱালি কুম্মে গী মতুংদা থবক ওইনা পাংথোক্লবা য়ারি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না বিজেপিগী লুচিংবশিংনা শিব সেনানা মহারাষ্ট্রদা সরকার শেম্নবগীদমক ওফর পীরকপা ঙাইদনা সরকার শেম্নবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়রি। শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাক্রেনা বিজেপিনা লুচিংবা সরকার অমা শেম্বদা সপোর্ট তৌ হায়বা য়ারকপা য়াই। অদুম ওইনমক কন্দিসন অমদি থম্লকপা য়াই। বিজেপি না হৌখিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল অদুদা সিট ১৪৫ ফংবা ঙমখিদে। মদু ফংলম্লবদি সরকার শেম্না য়াবগী মার্ক অদু য়ৌরগদবনি।

মীখল অদুদা পার্টি অদুনা সিট ১২৩ ফংখি। ৱাৎহৌরিবা সরকার শেম্বদা দরকার লৈবা মশিং অদুগীদমক ৱাবদি লৈতে। নেসনেলিষ্ট কংগ্রেস পার্টি (এনসিপি)গী মেম্বর ৪১ না কন্দিসন থমদনা শৌগৎকে হায়না ফোংদোরকখিবা লৈখ্রবনি। মদুতা নত্তনা বিজেপি না ইন্দিপেন্দেন্ট, অপিকপা পার্টিশিং অমসুং অতোপ্পা পার্টিগী এমএলএ ১৫ দা শৌগৎনবা হায়রবদি য়াগনি হায়রি।

রন ওফ প্রোসিদ্যুর এন্দ কন্দক্ট ওফ বিজনেস রুল ১৯৮ কী মতুংইন্না সরকার অদুনা মেজোরিট্টি লৈ হায়না উৎপা য়াবগী মতম থা ৬ লৈ। ৱাৎলিবা মশিংশিং অদু ফংনবা হোংনবগী মতম চপ চানা লৈরি। এনদিএ সরকারনা হাপখিবা ষ্টেট অদুগী গভর্নর সি বিদ্যাসাগর রাও হৌজিক রাজভবনদা লৈরি। মহাক্না মতেং পাংবগী ওইথোকপসু লৈ।

পাউগী লিখুল অসিনা ফোংদোরকপদা পার্টি অদুনা ষ্টেট অদুদা সরকার শেম্বদা চহি কয়াগী মমাংদগী চুংশিন্নদুনা লাক্লবা মতুং মরী তৎনখ্রবা শিব সেনাদা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর, স্পিকর নত্রগা মরুওইবা পোর্টফোর্লিও পায়বা য়াবা মিনিষ্টর ৮ গী ফম পীরোইদৌরি হায়রি।

বিজেপিনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না মরুওইবা পোর্টফোলিও ৮ – হোম, ফাইনান্স, রেভিন্যু, অর্ব্বান দিভলপমেন্ট, এগ্রিকলচর, ইরিগেসন, পব্লিক হেল্‌ঠ এন্দ পব্লিক ৱার্কসতি ষ্টেট অদুদা অফবা শাসন লৈহন্নবগীদমক পার্টি মনুংদা পায়হনবা পাল্লি।

অদুম ওইনমক পার্টি অনিনা য়ানবা অমগী মখাদা শক্তিঃ য়েন্থোক্লবগী য়ানবা লৈত্রি। বিজেপিগী ৱাঙাংলোই অমনা হায়খিবদা পার্টি অদুগা চহি ২৫ চুংশিন্নরক্লবা শিব সেনাগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়াশিন্নবা লৈত্রি। লোইননা অৱাংবা থাক্কী পোর্টফোলিও শিং পীবা য়াবগী অশাসু লৈত্রি হায়রি। বিজেপি মশামত্তঃদা পোর্টফোলিও য়েন্থোক্লবদা অচৌবা ৱাফম অমসু ওইবা য়ারিবনি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না বিজেপিনা শিব সেনাগা সরকার শেম্না পাল্লি। অদুম ওইনমক হায়রিবা সিটশিং য়েন্থোক্লবগী মতাংদদি ওইথোকপা য়াবা মওং উবা লৈত্রি। ফিভম খুদিংমক খন্ন নৈনরবা মতুং বিজেপিনা দেবেন্দ্র ফড়নাভিজ পু বিজেপি লেজিসলেটর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খন্দুনা ওক্তোবর ২৭ তা ৱাশক লৌরবা য়াই হায়রি।

দিৱালি কুম্মে লৈবনা মরম ওইরগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমসুং বিজেপিগী জেনরেল সেক্রেটরি জেপি নাদা না ষ্টেট অদুদা লাক্কদবা অদু য়েথোকখি।

কুম্মে অসি লোইরবা মতুং লুচিংবশিং অদু পার্টি অদুগী লেজিসলেটর গ্রুপকা উন্নরবা য়ারি। মীফম অদুদা ফড়নাভিজপু য়েৎনবা লৈতনা লুচিংবা খল্লগনি হায়রি।

রাজনাথ অমসুং নাদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ষ্টেট অদুদা লাক্লবা য়াই। লুচিংবশিং অদু দিৱালি কুম্মে মতুংদা লাকপা য়াবগী ফিভম লৈবনা পার্টি অদুগী অতোপ্পা লুচিংবা ওম প্রকাশ মাথুর অমসুং রজিব প্রতাব রেদ্দি ওবজার্ভর ওইনা হৌজিক মুম্বাইদা লৈরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং পার্টি অদুগী সেনিয়র লিদর অরুন জেটলিনা টিভি চেনেল অমদা ফোংদোকখিবদা পার্টি অদুদা প্রপোজেল অনি লাকপা লৈ। শিব সেনাদি মমাংদগী হৌনা চুংশিন্নদুনা লাকখ্রবনি। এনসিপি না কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোরক্লি।

বিজেপি অমসুং শিব সেনানা মহারাষ্ট্রদা সরকার শেম্বদা খুদোংচাদবা খরা লাকপা য়াই। মীয়াম্না খঙলিবদুনি, এনসিপি না হৌজিক কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোরক্লি।

হৌজিক শিব সেনাগা ৱারী শান্নবগী তঙাইফদবা অদু লৈতে। পার্টি অদুগা সেন্ট্রেল লেভেল লোইন লোইননা মুম্বাইদা পুন্না থবক তৌমিন্নরি। মহারাষ্ট্রদা মরোল অহুম নাইবা সরকার অমা লৈরকপা য়াই। পার্টিশিং অদুগা চুংশিন্নরকবসু য়াই। তশেংবমক্তি মখোয়না পীরক্লিবা চুংশিন্নবগী সিগনেল অদু থাগৎনিংঙাই ওই হায়না ফোংদোরক্লি।

# সিবিআই না সারাধা কেসকী চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে

***কোলকতা, ওক্টোবর ২২ ঃ*** সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই) না য়ুমশকৈশ নুমিত্তা শেল থুমগা মরী লৈনবা সারাধা কেসকী অহানবা চার্জসিট কোলকতা মেট্রোপোলিটান মেজিষ্ট্রেটতা লানখৎখ্রে।

চার্জসিট অদুদা সারাধাগী চেয়ারমেন সুদ্বিপ্ত শেন অমসুং অতোপ্পা ওফিসিয়েল অনিগী মমিং পন্দুনা মরাল লৈরে হায়বগী ৱারোল য়াওখি। চার্জসিট অদুদা য়াওখিবা অতোপ্পা মীওই অনি অদুদি দেবজানি মুখরজি অমসুং কুনাল ঘোস নি। দেবজানি সারাধাগী চেয়রমেন শেনগী মখাদা থবক তৌবনি অদুগা কুনাল ঘোসনা রাজ্য সভাগী এমপি নি।

মতম অদুদা মহাক সারাধা গ্রুপকী চিফ একজিক্যুটিভ ওফিসার ওইনা থবক তৌরম্বনি। চার্জ অদুদা পল্লিবা মীওই অহুম্মক হৌজিক ফাদুনা লৈরি। মখোয়না লৌতুনদুনা ফন্দ লান্না শিজিন্নবা অমসুং মীহাৎ মীপুন কয়াদা লৌতুনবগী মরাল লৈ হায়রি।

সিবিআই গী চেরোল অমদা থিজিনবা অদু মখা চৎখিগনি। কেস অদুদা অতোপ্পা মীওই কয়াসু চেন্নরম্বা য়াই হায়রি। মমাং চহিগী এপ্রিল থা ফাওবদা সারাধা গ্রুপ অদু নোংপোকথংবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা শেল লৌশিনবা গ্রুপ অমা ওইখিবনি হায়খি।

# অচুম্বদু খঙমিন্নসি

## কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং –৭২

**চন্দ্রকীর্ত্তি (খৃষ্টাব্দ ১৮৫০ – ১৮৮৬)**

*ঙরাংগী মখা*

*নোং হেক ঙানবগা অয়ুক্কী য়েন্দা অঙনবদগী ওইনামলোং চীংদোন্দগী কুপ্লক্লগা লেপ্তুনা লাকপনা নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা মকু লোকচাউ য়ৌরে। মফম অদুদা শারিবা য়ারেকশঙদা চঙলগা চা থক্তুনা পোখানরে, অহিং অদু য়ারেক্লে। নোং ঙাল্লগা অয়ুক্কী চাকঙল চারগা জিরি উনুং শমদুনা অয়ুক নুংথিল নুংদাং খাক্তনা লাকপনা লমলেন জিরিবাম য়ৌরকপদা নোং ঙাল্লে। জিরি তুরেন্দা কুমদুনা মীয়ামদো মাগী মাগী অমোৎপা মফি মরোল শুদোক চামথোক্লে, ঈরু মায়থজরে। তাইবং নাউয়োকফবী লানগী মবেম্মা কালিমাইগী মন্দিরদা চত্তুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা হৈরাং লৈরাং কত্তুনা সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই হুনদুনা মঙ্গল পীনবীয়ু হায়না থৌজানহৈবী ইমাগী ঙাংলৌ খুয়াখাদা দন্দবৎ তানা খুরুমজে। জিরিবামদা শারিবা য়ারেকশঙদা চঙদুনা অয়ুক্কী চাক্লেন চারগা মৌবী ৱা ময়াম্না পোঙ শাদুনা জিরি তুরেল লাল্লগা লমলেন ফুল্লাতোন পাংনা থৌদু নুংফৌ শমদুনা ভাদ্রি তুরেল লাল্লগা সনা খোঙ লেংলকপনা ইঙেলগী ২৪ নি পানবা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা কাছার জিলা য়ৌরে। নোংঙাল্লগা অসামগী চিফ কম্মিস্নার কটিঞ্জ সাহেবনা থারকপা শগোল তোংবা সাহেব অনি লাক্তুনা লান্মীগী লুচিংবা শৌৱাইজাম্বা থাঙ্গাল মেঞ্জর অনিগা উনদুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা জিলা দরবার লাকপদা পুরকপা শগোল শামু খোঙমী লান্মীগী মশিং হংদুনা খঙবদা নত্তনা মমিংমক্লা খুৎলায় পায়বা লান্মী ময়ামদু উবদা ঙক্তুনা ৱা মখা তারমদনা হনখি। সাহেব অনিনা কম্মিস্নার সাহেবতা লানফমদা শিজিন্নগদবা শগোল শামু মতিক চানা খুৎলায় পায়বা খোঙমী লান্মী ময়াম লোয়নরকপগী পাউদু তম্বদা চিফ কম্মিস্নার মশামক লাক্তুনা মহারাজগা উনদুনা সলাম তৌনরগা মখুৎ শোরুন্দুনা কাছার জিলাগী মালুগ্রাম খুলদা পোখাবীয়ু হায়রম্লগা কম্মিস্নার সাহেব হনখি। মালুগ্রামদা লৈরম্বা মৈতে মচাশিংনা থোরক্তুনা মহারাজবু হরাও তয়াম্না ওক্তুনা পুক্লিং লৈতানা মফমদুদা পোখারে। তুম্না চাবা চঙদনা অৱা পোখা লৈতনা নুমিৎ মাপলনি চুপ্পা চীং লম্বীদা ৱানা লাক্লগা মৈতে মচা তাবা লমদম মালুগ্রামদা থুংলবদা মীয়ামদু হরাওনরে, অৱা অনা কাওনরে।*

*(মথং মথং)*

# প্রাইম মিনিষ্টরগী কাশ্মির খোঙচৎ মাংওইননা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে

***শ্রীনগর, ওক্টোবর ২২ ঃ*** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী কাশ্মির খোঙচৎকা মরী লৈননা জম্মু অমসুং কাশ্মির তম্পাক্তা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে। মদু তোখায় তানিংবশিং অদুনা পিএম গী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখিবা অদুগসু মরী লৈনরি।

পুলিস অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিং মফম অদুদা থাজিনবগা লোইননা সহর অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চেক তৌবগী থবক চখরি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসার অমনা ফোংদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখিবদা লমদম অদুদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক শেন্নবগীদমক সহর অদুগী মফম কয়াদা নৌনা চেক তৌফম কয়া হাংদোকপগা লোইননা সিটি অদুগী চংফম অমসুং থোকফমশিং চেক তৌবগী থবক চখরি। মদু প্রাইম মিনিষ্টরনা লমদম অদুদা লাকপদা মিলিটেন্টশিংনা চখরকপা য়াবা থবক থৌরমশিংদগী ঙাকথোক্লবা চখবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ইরাংনা শোকহল্লবা শ্রীনগরদা মৈগী কুম্মে দিৱালি শরুক য়াগনি হায়রি। নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোরকখিবদা ঈচাওনা অৱাবা নংহল্লবা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী ইচিল ইনাওশিংগা লোইননা দিৱালি নুমিৎ অদুদা লৈদুনা কুম্মে অদু পাংথোকমিন্নগনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী হয়েংগী খোঙচৎ অসিনা লুচিংবা অদুনা জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা চৎপা মরিশুবা খোঙচৎ ওইরগনি। খোঙচৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ঈচাওদগী হিংহৌরবা মীওইশিংগীদমক সেন্টরনা পীবা য়াবা পেকেজশিং লাওথোক্লবা য়াই হায়না আশা তৌরি।

চৈরক অসিদা হুরিয়ট কনফরেন্সকী মচেৎ অনিনা লমদম অদুদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরি। লোইননা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা প্রোটেষ্ট চখগনি হায়রি।

হুরিয়টকী লুচিংবা সাহিদ অলি শাহ গীলানিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা কাশ্মিরদা থোকখিবা ঈশিং ইচাও অদুদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈশিল্লি। লোইননা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীয়ামগীদমক তৌবা য়াবা থবকশিং তৌদে। প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা অশোকপদা থুম চায়বগুম থোকহল্লে হায়না ফোংদোরকখি।

মমাংদা পাংথোকখিবা মুস্লিমশিংগী ইদ কুম্মেশিংদা মোদিনা শরুক য়াখিদে। অদুগা মুস্লিম্না নম্না খুন্দাবা লমদম অদুদা পাংথোক্কদবা দিৱালি কুম্মেবুদি শরুক য়াগদৌরি। মদু য়াবা ঙম্লোইদবা অমনি হায়রি।

সবির অহম্মদ শাহনা লুচিংবা হুরিয়ট কনফরেন্সকী মচেৎ অমনসু প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা লমদম অদুদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরি। লোইননা মোদিগী খোঙচৎ অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা লমদম অদুগী মীয়াম্না শান্তি ওইনা দিমোন্সত্রেসন চখনবসু ফোংদোরকখি।

# অসামগী এথলেট ১ বু মন্ত্র যাদু তৌবনি হায়না মরাল শিবা ৯ ফাখ্রে

***গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২২ ঃ*** অসামগী এথলেট অমবু মন্ত্র যাদু তৌবনি হায়না মরাল শিবদা লৌতুনবা য়াওবা নুপী ৭ য়াওনা মীওই ৯ ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না ফারবা নুপীশিং অদুদি টুলুমাই মেধি, জুগমাইয়ি মেধি, কালমেশ্বরী মেধি, পুর্নিমা হজারিকা, মিরা দেকা, সোরুজু কোচ অমসুং শারুমাই বোরানি হায়রি। মখোয়না শান্নরোই অদুবু তমথিনা ওৎ নৈখ্রবা মতুং কার্বি আংলোং দিষ্ট্রিক্টতগী শগোলশেল নুমিত্তা ফাবনি হায়রি।

অদুগা ফারবা নুপা অনি অদুনা রাধা লাস্কর অমসুং দিলসেন লেথি নি। রাধা লাস্কর লমদম অদুগী লুচিংবা অমনি। মখোয়গী মথক্তা এথলেট অদুগী মপুরোইবনা থারকখিবা এফআইআর অমগী মতুংইন্না ফাবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরস দিফুদগী কিলোমিটর ২০ লোম চৎলগা লৈবা চেরেকালি খুঙ্গংদা লৈবা এথলেট দেবজানি বোরাবু লাস্করনা ইনশিন্দুনা খুঙ্গং অদুগী খুঞ্জাশিংনা মীওৎ মীনৈ চখখি। দেবজানি বোরা ইং ২০১১ দা পাংথোকপা হরিয়ানাগী নেসনেল মাষ্টর চেম্পিয়নশিপতা জেল্লিন মশান্নদা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

মহাকপু খুঞ্জাশিংনা মন্ত্র যাদু তৌবনি হায়না মরাল শিখি। নমগরদা পাংথোকপা মীফম অমদা খুঞ্জাশিংনা এটেক চখরকখি। মদুদা দেবজানিসু অশোক অপন নংবদা নত্তনা খুঞ্জা খরসু অশি অনা নংখি। এথলেট অদুনা উপায় অমা তৌদুনা মফম অদুদগী নাম্থোরকখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী থবাক অমসুং নঙ্গলদা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়কন্নখি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না অদুগুম্বা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফারবা নুপীশিং অদু চহি ৪৫ গী মথক্তা লৈবশিংনি। মীয়াম তিনবা মফম অদুদা দেবজানিদা চখরকখিবা থৌওং অদুনা লমদম অদুগী মীয়ামদা থম্মোয় শোকহনখি হায়রি।

# ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী সুকোই –৩০ ফ্লিন্ট অশোয় অঙাম থোক্তনবা চ্যেক তৌখ্রে



***নিউ দিল্লি, ওক্টোবর ২২ ঃ*** পুনে মনাক্তা সুকোই –৩০ এয়রক্রাফ্ট কায়খ্রবা মতুং ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী সুখোই ৩০ – ফ্লিন্টতা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক টেক্নিকেল চ্যেক অপ চখখ্রে।

২০০ ত্বিন ইঞ্জিন সুকোই –৩০ ফ্লিন্ট কী এয়রক্রাফ্টশিং অদু চপ চানা টেক্নিকেল রিভিয়্যু চখরবা মতুং মথৌ পাংথোকহনগনি হায়রি। পুনেদা টেক্নিকেল গী ওইবা অশোয়বা লৈবদগী সুকোই–৩০ কায়খ্রবা মতুং ফ্লিন্ট অদুদা লৈবা এয়রক্রাফ্ট খুদিংমক টেক্নিকেল চেক তৌবগী থবক চখবা হৌরকখিবনি।

চ্যেক তৌবগী থবক লোইরবা মতুং অমুক হন্না পাইবগী থবক তৌহনগনি হায়না ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী ৱাঙাংলোই ৱিং কম্মান্দর সিমরান পাল সিংহ বীরদিনা ফোংদোরক্লি। কম্মান্দর অদুনা অকক্লবা টেক্নিকেল ওইবা করম্বা মফমদা য়েংশিনগদগে হায়বদুদি ফোংদোকখিদে। গ্রাউন্দ ফ্লিন্ট অদু লৈবাক অসিগী ওইনা অহুমশুবা ফ্লিটনি। ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ওইগদবা ষ্ট্রেংথ ৪৪ দগী হৌজিক কোম্বেট স্কাদ্রোন ৩৪ দা হন্থহনখ্রে। স্কাদ্রোন অমদা হৌজিক ফাইটর প্লেন ১৮ লৈরি। মমাং চয়োলদা সুকোই –৩০ এমকেআই পুনে মনাক্কী লৌবুক অমদা কায়খি।

থৌদোক অদুগী অহানবা ওইনা থিজিনবদা ফ্লাই –বাই–ৱায়ার সিষ্টেমদা টেক্নিকেল প্রোব্লেম লৈবদগী থোকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অদুদা মীশি মীনা থোকখিবদি লৈখিদে। ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর এস মঞ্জি অমসুং ফ্লাইয়িং ওফিসার অনুপ সিংহনা এয়রক্রাফ্ট অদু তোংদুনা পাইখিবনি। সুকোই –৩০ এমকে আই এয়ারক্রাফ্টকী খুদোংথিবা থৌদোক অদু হৌজিক থিজিনবগী থবক চখরি। কোর্ট ওফ ইনক্বারী চখদুনা থিজিল্লিবা অদু খুমাং চাওশিল্লে হায়নসু ফোংদোরক্লি।

মমাংদা কায়খিবা সুকোই –৩০ এয়ারক্রাফ্ট অদুদা পাইলোট ২ তোংখিবনি। ইং ২০০৯ দা সুকোই –৩০ এম কে আই কায়খিবগী মতুংদা হন্দক থোকখিবা থৌদোক অদুনা চপ মান্নবা এয়ারক্রাফ্ট অদু কায়খিবা ৫শুবা থৌদোক্লি হায়রি।

# ইন্দিয়ানা প্লেবিসাইট পাংথোকপা কি ঃ পরেশ

***গুৱাহাটি, ওক্টোবর ২২ ঃ*** ইন্দিয়াগী রাজনীটিৱালাশিংনা অশেংবা দিমোক্রেসি গ্রেট বৃটেন অমসুং কনাদাদগী তমগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (ইন্দিপেন্দেন্ট) কী কম্মান্দর ইন চিফ পরেশ বারুৱানা ফোংদোরক্লি।

অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা রিভোলুস্নরি ওর্গনাইজেসনশিংগী মপুং ফাবা কম্মন প্লেটফোর্ম অমা শেমগদবনি হায়নসু ফোংদোরক্লি। অসাম ত্রিব্যুনগা ৱারী শান্নবদা বারুৱানা মখা তানা হায়, ইসু অদুগী মতাংদা ইন্দিয়াগী রাজনীটিৱালাশিংগী মাইনসেট অদু হোংদোক্কদবনি। হন্দক্তা স্কোটলেন্দগী তোখায় তানিংদবশিংনা দিমান্দ তৌরকখিবা প্লেবিসাইট গ্রেট বৃটেননা পাংথোক্লি। মদুনা লমদম অদুদা ঈ নাই তানদনা ৱাথোক অদু লোইশিনখি।

মদুগা চপ মান্নবা মওংদা কনাদানসু থবক লৌখৎখি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়ান রাজনীটিৱালাশিংদি অদুগুম্বা খোঙ্থাং অদু লৌখৎনবগী থৌনা লৈতে হায়খি।

য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (আই) না প্লেবিসাইটকী পোল অদু য়াগদ্রা হায়না হংবা ৱাহং অমদা বারুৱানা হায়, ভোট পীগদবা অসামগী মতিক চারবা সিটিজনশিং ইন্দিয়াগা লৈমিন্নরি। অদুম ওইনমক উলফানা মদু য়াগনি। চপ মান্নবা মতম অমদা ইন্দিয়ানসু ইন্দিয়াদগী তোখায় তানিংবা মীওইশিংগী ফেভরদা পীরকপা প্লেবিসাইটকী ফল অদু য়াবা ঙমগদবনি হায়রি।

উলফানা ইন্দিয়াগী অনৌবা সরকার অসিনা অনৌবা খোঙথাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈবাক অসিগী রাজনীটিৱালাশিংগী ৱাখল্লোনশিং চপ মান্নে। অসিগুম্বা লালহৌবগী খোঙথাং অসিদা অহোংবা পুরকপা পামদে। ইন্দিয়াগী রাজনীটিৱালাশিংগী মাইন সেটতা অহোংবা লাক্কনি হায়বা থাজদে। হৌজিকমক্কী ওইনা অহোংবা লৈবসু উদে হায়না ফোংদোরক্লি।


**IN THE COURT OF**
**SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST**
KONTHOUJAM
**Mutation case No. 486/2014**

1. Loitam Arendra Singh
S/o (L) Kanhai Singh of Meio Leirak.
*Petitioner*

-Vs-

late Loitam Kanhai Singh
S/o (L) Jarma Singh of Maisnam Leikai
*O.P. Party*

**NOTICE**

*The 22nd October, 2014*

অসিনা মরম ওইদুনা under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Loitam Kanhai Singh, পীং মৃঃ Jarma Singh, সাং Maisnam Leikai গী মিংদা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিলগী খুল নং ৮৫ গী অনৌবা পাট্টা নং ৫৫, দাগ নং ৫৬ অমসুং এরিয়ানা .৬৮ চাওবা লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৯ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চখজরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector, Konthoujam,
Imphal West.

*SL/C/1823/23*



**PTA** ꯄꯇꯑ
**PEARL TUTORIAL ACADEMY**
Sangaiprou Airport Road, Opp, Imphal College, Imphal West
*"A Master Key to Rewarding Life"*

**Admission Open for Advance Revision & Foundation Courses**
Class - X, XI Sc., XII Sc. & Arts (BOSEM, COHSEM & CSE)

Class Commencing on 9th October, 2014

*Under the supervision of our loureates*



L. Raghumani N. Opendro Ch. Brojen N. Melei

**Free Transportation !**

Last Date of Form Submission 7th October, 2014

Maths – Ch. Brojen, Mr. Rajen, Mr. Sanjit & Mr. Prem
Physics – Y. Deben
Chemistry – Mr. Amzadkhan & Mr. Bijoy
Biology – N. Opendro, Mrs. Radharani & Mr. Malemnganba
Social Science – L. Raghumani, N. Melei, K Nilamani, Miss Chhayalaxmi & Miss Bidyalaxmi
English – L. Shantikumar & Mr. Ibomcha
Manipuri – Ch. Nabakumar

For details pliz contact : PTA Office # 9856143843 / 7308924178 / 9856568448



**askIITians**
energizing juniors

KEISHAMTHONG MOIRANGNINGTHOU
LEIRAK MACHIN, NAMBUL MAPAL
NEAR RAMLAL PAUL HR. SEC. SCHOOL
IMPHAL- 795001 (MANIPUR)
askiitians.imphal@gmail.com

*"Student's partner for success & Your success is our priority"*

Maths Science
**X, IX, VIII**
**Coaching Class**
Social Sciences

**Admission open**

5 Months Special Advanced Foundation Course (Class VIII to X) and 45 Days Crash Course for Class X (both BOSEM & CBSE)

Foundation Course Features (Class VIII to X)
- Systematic and Exhaustive Coverage of Syllabus
- Visual Based Interactive Classrooms
- Individual Attention
- Special Classes by Renowed Retired Professional from College and University
- Chapterwise Unit Tests
- Analysis of Previous Years Board Questions
- Doubt Removal Session
- Regular Parent Teacher Meetings (PTMs)
- Extra Classes for Weak Students
- Individual Counselling to Motivate Students
- Examination Techniques and Suggestions by Subject Experts

Crash Course Features (Class X)
- Analysis of Previous Years and Provable Questions
- Regular Mock Tests
- Examination Techniques and Suggestions by Subject Experts

**Faculty Profile**

MATHEMATICS
P S Singh
Gold Medalist M.Sc. (DU), B.Ed., Former Lecturer, Herbert School, Resource Person(CBSE)

PHYSICS
Dr. Ng. Bedamani Singh
M.Sc., Ph.D.

CHEMISTRY
Dr. S I Singh
M.Sc., Ph.D.
Ex-Guest Lecturer, J.U., Gwalior
International Author at LAP-Lambert, Germany
7 years teaching experience

BIOLOGY
T. Lenindro Mangang
Gold Medalist, M.Sc. (Meerut University)
Former Lecturer, HRD Academy, Ghari
15 years plus teaching experience

SOCIAL SCIENCES
By Board of Experienced Teachers

*Crash Course Commencing from 27th October, 2014(Monday)*
*# English and Meitei Mayek as on demand*

For more details please visit our office
Contact us: 9089357204, 8729955106, 9856138680